ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাও
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট দিপার্ট-মেন্টকী মখাদা লৈবা ইনফোর্সমেন্টকী কাঙবুনা হায় সিক্যুরিটি নম্বর প্লেট নপ্তুবা গাড়ীশিং ফাগৎপগী শক্তম

লামায় ২

মীওইবগী চৎন-লোনচৎকী ৰাংমদা এসিদ হৈজিল্লম্বদগী হোস্পিটালদা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরিবী নুপী অমদা সোসল ৰেলফেয়র মিনিষ্টরনা তেংবাং পীবগী শক্তম

লামায় ৩

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা মথৌ তৌবা দোক্টর অমদা শীরিবা মরাল য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অশা ৱার্করশিংনা প্রোটেষ্ট তৌবগী শক্তম

লামায় ৩

থা কয়াগী তোলোপ পীথোক্তবগী মায়োক্তা ওল মণিপুর মাদ্রাসা মোদর্নাইজেসন টিচর ৰেলফেয়র এসোসিএ-সনগী থৌমীশিংনা ৰাকফ বোর্দকী ওফিস থোঙ লোনবা

লামায় ৩

Vol. 41, Issue No.251 লৈবাকপোকপা, পোইনুগী ১৭নি পানবা অপুনবা লামায় মশিং ১০ HUEIYEN LANPAO, Tuesday, December 05, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.৪৬
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৬.৬৮

এসেমব্লি সেসন কৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ : তরামাথোই শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী অহুমশুবা মীফম থা অসিগী ২০ দা ফম্ননবা ঙসি গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলানা সমোন তৌখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা চেরোল অমা থোকখ্রে। মীফম অসি নুমিৎ ৪ নিদগী হেন্না ফম্লদবা য়াই। গভর্ণমেন্টনা করি-করি এজেন্দা পুথোক্কদগে হায়বদু বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফমদা লেপকনি হায়রি।

হৱাইচার চারুবদগী মীওই ১২ লায়কন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ : হৱাইচার মোরোক মেৎলগা অমদি এঞ্জ্রাংদা হাপ্লগা থোংদুনা চারুবদগী খোঙ হান্বা অমদি ওবানচিংবা তৌরক-পদগী মীওই ১২ লায়কন্নখ্রে। থৌদোক অসি শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থোংজু ফৈজা লৈতোং অৱাং লৈকায়দা থোকখিবনি। হৱাইজার অদু লৈকায় অদুগী নুপী অমনা লোনবনি হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৩.৪১ °C	৮.৬১ °C
চান্দেল	২৭.৬৮ °C	১০.২৩ °C
সীসীপুর	২২.৩৬ °C	৮.৩৪ °C
ইম্ফাল	২৬.৩০ °C	৭.১৫ °C
সেনাপতি	২৩.৩৫ °C	৫.১৭ °C
তমেংলোং	২৩.৮৭ °C	১৪.৯৭ °C
থৌবাল	২৩.০৩ °C	৮.৬৮ °C
উখ্রুল	১৯.৮৮ °C	৬.৩২ °C
মণিপুর	২৭.৬৮ °C	৫.১৭ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	76.248287
US Dollar	64.406561
British Pound	86.834924
Australian Dollar	48.925989
Chinese Yuan Renminbi	9.729522
Japanese Yen	0.570970
Malaysian Ringgit	15.836052
Norwegian Krone	7.731057
Singapore Dollar	47.747302
South Korean Won	0.059275
Swedish Krona	7.646578
Turkish Lira	16.547785
Myanmar Kyat	0.04726
Bangladesh Taka	0.78262

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 29711.23
Mumbai	–	Rs 30716.58
Delhi	–	Rs 30106.95
Kolkata	–	Rs 30663.10

HL POLL

Q : Leingakki employeesingna mama mapa yumdagi tanthoklagadi action lounaba law semba sougatkadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : CSO singga political partysing punsillaga IM gi demand thingba ngamgani haina khanbara?

Yes 37% No 63%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অস! লোইরেহে!

অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনবা তৌগেদি হায়দ্রগা হুন্দুনা লৈরে...!



লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা এল পি স্কুল অমা শীদোক্লগা মাঙহনখ্রে

মরী লৈনবা দি আই, এ আই এক্সন লৌননবা দিমান্দ তৌরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪(ঐচ এন এস): মতম অমদা মঙাল নাইনা লৈরম্বতা নৎতনা মশক থোকপা মীওই কয়ামরুম পুথোকখিবা লৈঙাক্কী এল পি স্কুল অমা মরী লৈনবা ওঠোরিটিগী অয়াবা অমত্তা লৌদনা কনাগুম্বা খরনা লৌতুনরগা শীদোক্তুনা মাঙহনখ্রে।

এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টকী অয়াবা অমত্তা য়াওদনা শীদোকখ্রবা স্কুল অদু মোইরাং থাংজিং এল পি স্কুল কৌই। মোইরাং থাংজিং লাইকোনগী হেক মায়োক্লবদা লৈবা থাংজিং গেষ্ট হাউস ময়াদা লৈবা স্কুলনি। চেকনা তম্খায় অমা চনখৎপা মহৈশঙ অদুগী ফীভম অদুক হাক্লা ফত্তবসু ওইদ্রি।

মনাক নকপদা লৈবা মীওই অমনা পাউচে অসিদা হায়, মহৈশঙ অসি চহী ৫০ রোমগী মমাঙদা লিংখৎখিবনি। মহৈরোয় লৈরক্তবদগী কুমজা ২০১০ অদুৱাইদা স্কুল অসিগা শ্রীবোন থানা এল পি স্কুলগা পুনশিন্দুনা হৌজিক্লা থাংজিং অপ্পর প্রাইমারি স্কুল হায়দুনা মমিং ওল্লগা চল্লাইখ্রে।

মহৈশঙ লৈত্রবসু, ওজা য়াওদ্রবসু স্কুল শঙ অমদি লম্পাক অদুদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মখাদা অদুমক লৈগদবনি। অদুবু, এম এল এগা নক্লবা মীওই অমনা লুচিংলগা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওঠোরিটি (এল দি এ)গী গাড়ীশিং শীজিন্নদুনা মহৈশঙ অদু থুদেকখ্রে। অদুগা স্কুল অদুনা লৈরম্লিবা মফম অদু লৈবাক থোঞ্জিন্দুনা লন্নাই মীওই খরগী শেন্দানফম ওন্থোক্লবগী মওংদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক য়াম্না কন্না চথরি হায়না মরাল শীরক্লি।

স্কুল অদুনা কোল্লিবা লৈকায় অদুগী অতোপ্পা মীওই অমনা পাউচে অসিদা হায়, লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা মহৈশঙ অমা কনাগুম্বা খরনা শীদোক্তুনা মাঙহনখ্রে অমসুং স্কুল অদুগী মচাক-মথুম পুম্নমক পুখ্রে হায়বা ৰাফম অসি স্কুল অদুবু পুরিবা দি আইনা খঙফম থোকই। মরমদি, দি আই ওইরিবা মীশক অদুসু মোইরাং কৈথেল ময়াদগীনি। মরম অদুনা লৈঙাক্কী মহৈশঙ মাঙহনবা অমসুং মতম চানা হায়র ওঠোরিটিদা পাউ পীদবগীদমক মরী লৈনরিবা দি আই অমসুং এ আইবু চপ চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মচীন চৎপা মীশক অমনা পাউচে অসিদা হায়, নুমিৎ ৫ নিরোমগী মমাঙদা স্কুল শীদোকখ্রে হায়বা পাউ অদু নীংফুং-নীংফুং তারে। মরী লৈনবা জেদ ঈ ওদগী অকুপ্পা ৰারোল অমা পীখৎ-লক্লবা খঙহনখ্রে। হয়েং স্কুল অদুদা চৎতুনা কমদৌনা অমদি কনানা স্কুল শীদোকপনো হায়বা থিজিনবা হৌরগনি। স্কুল শীদোকপগী মতাংদা মাঙজৌননা মরী লৈনবা ওঠোরিটিদগী অয়াবা লৌখিদে।

জে সী আই এল পি এসকী মীহুৎশিংগা সী এমগা উনখ্রে

য়েলহৌমী কন্নবা বিলগী মতাংদা মরী লৈনবশিংগা ৱারী শানরগনি : সী এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪(ঐচ এন এস): জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস)গী মীহুৎ কাঙবু অমগা চীফ মিনিষ্টরগা ঙসি উনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগা উনবা অদুদা য়েলহৌমী কনবগা মরী লৈনবা বিল পাস তৌনবগী মতাংদা মরী লৈনবশিংগা অথুবদা ৱারী শানবা হৌরগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়না জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর অর্জুন তেলহৈবনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

জে সী আই এল পি এসকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা অর্জুন তেলহৈবনা হায়খি, ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগা জে সী আই এল পি এসকী মীহুৎশিংগা উনখিবা অদুদা মেমো-রেন্দম অমসু পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা মীয়ামগী কনভেন্সননা লৌখিবা ৱারেপশিংসু হাপখি। ঙসি উনখিবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী আই এল পি বিলগী মতাংদা কেবিনেটতা পুথোক্তুনা মীয়ামদা থাজবা পীগনি হায়না খঙহল্লকখি।

মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা মীয়ামগী কনভেন্সননা লৌখিবা ৱারেপশিংদি অহানবদা, মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা লৈরিবা য়েলহৌমী ফুরুপ খুদিংমক্কী মীয়াম পুন্না আই এল পিগী খোঙজংদা শরুক য়াম্নিনবা, অনীশুবদা, লাক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী নিংথম মীফমদা মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ পুম্নমক্না য়াবা আই এল পিগী বিল অমা পাস তৌগদবনি। অহুমশুবা ৱারেপ্তা, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী নিংথম মীফমগী মমাঙদা মণিপুর লৈঙাক্না আই এল পিগী বিল পাস তৌগনি হায়বগী মীয়ামদা থাজবা ৰাফম দিসেম্বর ৮ ফাওবগী মনুংদা খঙহনগদবনি, মরিশুবদা, মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামদা থাজবা অসি পীদ্রবদি দিসেম্বর ১৩ দগী মীয়ামগী ওইবা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌরে, মঙাশুবদা, কনভেন্সনদা ফুরুপ কয়াগী ৰাঙাঙলোয়না মাগী-মাগী ওইবা ৰাফম থমদুনা লৌরবা ৱারেপশিং অসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা থবক্তা ওন্থোক্লবা মেমো-রেন্দম ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

শিব সেনাগী এম পিশিংদা তকশিল্লুরগনি : এম তোম্বী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪(ঐচ এন এস): আই-এমগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওরিবা ৰাফমশিং খঙহন্নবা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎপীনবা শিব সেনাগী এম পিশিংদা তকশিল্লুরগনি হায়না শিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপারাদা লৈবা শিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এম তোম্বীনা হায়খি, শিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমা দিল্লিদা চৎলগনি। শিব সেনাগী এম পিশিং উনদুনা লাক্কদৌরিবা পার্লিয়া-মেন্ট মীফমদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা করি য়াওরিবগে হায়বদু খঙহন্নবগী ৰাফম পুখৎহন্নবা তকশিনগনি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা ষ্টেট অসিদা বি জে পি অমদি কোংগ্রেসকী মরক্তা ৰাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা লৈরি। অসিগুম্বা অরুবা ৰাফম অসিদা অমগা-অমগা ঙাঙনদুনা লৈবগী মহুৎতা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি সী এস ওশিং পুল্লগা চঙশিনমিন্নবা তঙাইফদে।

নাগা পিছ টোককী মতাংদা ৰারোইশিন অমা পুরক্লবা য়াই হায়না ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা হন্দক্তা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু, ইন্টর-লোক্যুটর আর এন রবিনদি মতম খরা চঙখিবা য়াই হায়বা ৰাফম অমুক থল্লি। ওইরিবা ফীভম অসিদা অমগা-অমগা মান্নদবা কয়া অমসু য়াওরি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা করি য়াওরিবগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহনফম থোকই। লাক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফম অসিদা শিব সেনাগী এম পিশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা পুখৎপীনবগীদমক শিব সেনা মণিপুরগী মীহুৎ কাঙবু অসিনা তকশিল্লুগদৌরিবনি।

খৃষ্টমাস মমাঙ নৎত্রগা নাগালেন্দ ইলেক্সনগী মমাঙদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রী-মেন্টতা য়াওরিবা ৰাফমশিং মীয়ামদা খঙহল্লু হায়না তকশিনবা চঙই। নাগাগী পিছ টোককী ৰারোইশিন অমা পুরকপদা নুংঙাইতবা করিসু লৈতে। মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকপা য়াবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

হূই তরেৎ য়োকপগী পি এফ এদা লুপা লীশিং ৩০ পীখিনবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ডিসেম্বর ০৪ (ঐচএন এস): প্রীভেন্সন ওফ ক্র্যুএল্টি টু এনিমেল এক্ট, ১৯৬০ অমদি মসিগী রুলশিং মপূং ফানা চৎনহন্নবগী মতাংদা সু মোটো পি আই এল অমা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ঙসি হিয়রিং চথখ্রে।

ষ্টেট অসিগী জুদিসিয়রিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা শা-ষণশিংগী য়াইফ-থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদা পীপল ফোর এনিমেলস (পী এফ এ) মণিপুরনা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট অমদা যূম্ফম ওইরগা পি আই এল অদু হিয়রিং চথখিবনি।

পি এফ এগী মেনেজিং ট্রষ্টি এল বিশ্বজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রেজিষ্ট্রার জেনরেল এ গুনেশ্বর শর্মগী খুথাংদা পি এফ এনা ফাইল তৌবা পি আই এল অদুনা ডিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা শাশিংগী লৈফম মতিক চানা থম্বীনবা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমদি ভেটেরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেনদ্রি ডিপার্টমেন্টতা কোর্টনা য়াথং পীগদবনি হায়না ৰাকৎখি।

মণিপুর পোনি কঞ্জর্ভেসন এন্দ ডিভলপমেন্ট পোলিসি, ২০১৬ মপূং ফানা চৎনহনবগা লোয়ননা লম্বীদা পোনি অমদি শা-ষণশিং থাদোক-হন্দনবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়নসু পি আই এল অদুনা ফোঙদোকখি।

মসিগীসু মথক্তা ষ্টেট ভেটেরিনরি হোস্পিটালদা নুমিদাংগী মতমদা আউট পেসেন্ট ডিপার্টমেন্ট (ও পি ডি), ইন পেসেন্ট ডিপার্টমেন্ট (আই পি ডি) মথৌ তৌহনবগা লোয়ননা অচৌবা এম্বুলেন্স থমগদবনি হায়না তকশিনখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী সোসাইটি ফোর দি প্রীভেন্সন ওফ ক্র্যুএল্টি টু এনিমেলস (এস পি সী এ) নৎত্রগা ভেটেরিনরি ডিপার্টমেন্টতা য়াথং পীদুনা পি এফ এ মণিপুরগী শা থম্ফমদা থল্লিবা হূই তরেৎ লৌশিন্নবা য়াথং পীগদবনি অমসুং হায়রিবা থৌরাংশিং অসি লৌখৎনবগীদমক ষ্টেট গভর্নমেন্টতা মতিক চাবা শেল থাদোকখিনবা খঙহনখিগদবনি হায়নসু পি আই এল অদুনা ফোঙদোকখি। *মখা লামায় ৩ কলম২*

ঙসি ৱাকৎ মীফম ফম্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪(ঐচ এন এস): ভি আই পি কলচরগী মতাংদা আই এস টি ভিগী দিস্কসন অৱরদা খন্ন-নৈনবগী ৱাহৌদা ৱাংখেমচা শামজাইদা বি জে পিগী মীওই খরনা থল্লকখিবা ৰাফম য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হয়েং নুংথিল পুং ২ দগী ৪ ফাওবা কৈশাম্পাৎতা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননা শীন্দুনা পাউমীশিংগী ওইবা ৱাকৎ মীফম ফমগনি হায়রি। ৱাকৎ মীফম ফম্লবা মতুংদা মণিপুরগী গভর্ণরদসু মেমোরেন্দম অমা পীগনি। মেমো-রেন্দমগী কোপীশিং প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া, প্রাইম মিনিষ্টর অমদি প্রসিদেন্টনচিংবা কয়াদসু থাগনি।

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং লৌথোকখ্রে হায়না কোর্টতা খঙহল্লকখ্রে : আর কে জয়সনা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪(ঐচ এন এস): ইকনমিক ব্লোকেদকী মতাংদা পিটিসন থাখিবগী মতুং তারকপদা নেসনল হায়ৰেগী রিপোর্টশিং পীখৎনবা কোর্টনা রেস্পোন্দেন্টতা খঙহনখ্রে হায়না পিটিসনর ওইখিবা আর কে জয়সনানা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা আর কে জয়সনানা হায়খি, ইকনমিক ব্লোকেদকী মতাংদা কুমজা ২০১৫গী নবেম্বরদা হায় কোর্টতা পিটিসন অমা থাখি। পিটিসন থাবা অদুদা তৌরিবা প্রেয়রদি য়ু এন সী অনলোফুল

ওর্গনাইজেসননি হায়বীয়ু, শুট এট সাইট তৌ অমদি পাউচেদা ব্লোকেদকী পাউ ফোঙহনবীগনু হায়বনচিংবা অসিনি। হায় কোর্টকী মায়কৈদগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ২ ওইরিবা চীফ সেক্রেটরিদা নেসনল হায়ৰেগী মতাংদা মোনিটর তৌরগা রিপোর্ট পীরক্কবা খঙহনখিবসু লৈখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপ্পগী মতাংদসু মহাক্কা পিটিসনর ওইদুনা চহীসিগী মেদা পিটিসন অমা ফাইল তৌবা লৈখি। মণিপুর লৈঙাক্কা হাপখিবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি-শিং লৌথোকখ্রে। পিটিসন অদু ক্লোজ তৌবীরো হায়না লৈঙাক্কা হায়রকখিবা লৈখ্রে। দি মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি (এপোইন্টমেন্ট সেলরি, এলারেন্স, মিসিলিনস প্রোভিজন) এক্ট অসিগী মখাদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপ্পা অসি কন্সটিট্যুসননা য়াদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

আর্মিদা বোমগী এটেক চথখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪(ঐচ এন এস): ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী পাৎসোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কোন্থৌজম লমখায় ময়াদা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩৫ রোম তাবদা খোঙনা পেট্রোল্লিং চৎপা ৫ শুবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী আর্মি কাঙবুদা শকখঙদবশিংনা আই ঈ দি অমা ফিট তৌদুনা পোকখায়হনখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, বোম অদু ৫ শুবা জে এন্দ কেগী আর্মি কাঙবু অদুনা আর ও পি লাকপা মতম অদুদা খঙহৌদনা পোকখায়রকপনি। থৌদোক অদুদা মীদি অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে হায়রি। থৌদোক থোকফম অদুদা পুলিস অমদি জে এন্দ কে আর্মিগী ফোর্সশিং চঙশিন্দুনা থি-হুন্বা চথখি অদুবু থোয়দোকপা মীফা মীপুনদি য়াওখিদে। বোম পোকখায়ফম অদুদগী পুলিসনা বোমগী মচেৎ খরা রিকোভর তৌখি হায়রি।

এক্সিদেন্টতা মপুরোয়বা লৈখিদ্রে, লোয়নবী অমদি মচানা লায়কন্নরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪(ঐচ এন এস): থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ৱাংবল এরিয়াদা ঙরাং নুংথিল হোন্দা এক্তিভা অমগা মারুটি জিপসি অমগা থেঙ্গায়নবগী থৌদোক্তা এক্তিভা অদু থৌরকপা মপুরোইবা অদু লায়কন্নবা ঙমদনা ঙসি অয়ুক শিরে, এক্তিভা অদুদা তোংলকপা মমা-মচানা শোক্তুনা লায়কন্নরি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, এক্সিদেন্টকী থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং অদু লাঙ্গোলদা লৈবা শিজ হোস্পিটালদা ঙরাংদগী লায়কন্নদুনা লৈরকখিবনি। অদুবু, মপুরোইবা অদুদি ঙসি অয়ুক লৈখিদ্রে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমীং য়ুম্নাম পুন্সিমনি (৩৮) কৌই। মহাক ইরোম মৈত্রাওদগীনি হায়রি। মহাক্কী লোয়নবী অদুগী মমীংনা য়ুম্নাম ওংবী ইনাকখুনবী কৌই। মচানুপা অদুনা চহী অনীদা ঙায়রি হায়রি।

থৌদোক অদু ঙরাং পুন্সিমনি, লোয়নবী অমদি পীক্লিবা মচাগা লোয়ননা মহাক্কী এক্তিভা অদু তোংলগা থবক অমা চৎলুরগা হল্লকপদা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ৱাংবলদা মারুটি জিপসি অমগা থেংগায়নবদা মখোয় অহুম শোক্তুনা শিজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুবু পুন্সিমনিদি ঙসি নুংথিল হোস্পিটাল অসিদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি। মহাক্কী লোয়নবী অমদি মচানুপা হোস্পিটাল অসিগী আই সী য়ুদা থমদুনা লায়কন্নরি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মারুটি জিপসি অদু খাল্লমদনা থৌখ্রে হায়রি। অদুবু থৌবাল পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা হৌজিক গাড়ী অদুগী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনরি হায়রি।

নট সঙ্কীর্তন রিছোর্স সেন্টর অমা লিংলগনি : গভর্ণর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪(ঐচ এন এস): ইন্টরনেসনল সঙ্কীর্তন দে সেলে-ব্রেসন কম্মিটি অমসুং শ্রী শ্রী গোবিন্দজী নট সঙ্কীর্তন ৱাখ্খৈ পেলেস কম্পাউন্দগা খূৎশম্নদুনা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা লময়ানবা শঙলেনগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি ইন্টরনেসনল সঙ্কীর্তন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলানা হায়খি, মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলচরেল হেরিটেজ অসিগীদমক চাওথোকচৈ। য়ুনেস্কোনা সঙ্কীর্তনবু কুমজা ২০১৩ দা ৱর্ল্ড হেরিটেজদা চলহনখি। কুমজা ২০১৩ দা ৱর্ল্ড হেরিটেজ চনখ্রগা হৌজিক ফাওবা রিকগ্নিসনগী সর্টিফিকেট পীদ্রি হায়বসি লূম্না লৌই। ঙসি পাঙথোক্লিবা

থৌরম অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মণিপুরগী নট সঙ্কীর্তনগী হৌরকফম থিদোক্লবা অমসুং মসিগী মরমদা থিজিন-হুমজিন্দুনা সঙ্কীর্তনগী মচাক-মথুমশিং অইবা ওইনা থম্নবা রিছার্স সেন্টর অমা লিংখৎলগনি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাঙলদুনা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, কুমজা ২০১৩ দা য়ুনেস্কোনা মণিপুরগী নট সঙ্কীর্তন অসিবু ৱর্ল্ড হেরিটেজ ওইনা লাউথোকখি। ৱর্ল্ড হেরিটেজগী ৮শুবা রেক্কতা নট সঙ্কীর্তন লৈরি। য়ুনেস্কোনা লাউথোকখ্রবসু মসিগী রিকগ্নিসন তৌবগী সর্টিফিকেটতি ফংবা লৈত্রি। গভর্ণরনসু হীরম অসিগী মতাংদা থৌদাং লৌবীয়ু। চাইনাগী ওইনদি অসিগুম্বা মখোয়গী শকখঙচে অদু রেপ্লিকা ওইনা গেট নম্বর ১ দা থেৎতুনা থল্লি। ৱর্ল্ড হেরিটেজ চনখ্রবা মণিপুরগী সঙ্কীর্তন অসিনা লন্নাই লূপশিংনা ওবজর্ভেসন পাঙথোরকপা ঙসিগা থানা মরিরক শুরে। মণিপুর লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙদুনা লৌখৎফম থোকপশিং লৌখৎতুনা থবক ওইনা পাঙথোক-হন্নীংই। নট সঙ্কীর্তন য়োকখৎনবা হোৎনবদা লন্নাই লূপ ওইরবসু থৌদাং লৌবগীদমক নুংঙাইবা পোকই। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

LOAN AVAILABLE
ꯂꯣꯟ ꯐꯪꯒꯅꯤ
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
➤ Vehicle Loan
➤ Pension Loan
➤ Service Loan
➤ T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অৱাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।
● 100% Free Processing (Vehicle Only)
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokiaobung B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/4725/11Nov-10Dec.